# ওলিম্পিক্সতা গোল্ড মেদল ফংদ্রিবা ফাওবা শান্নবা লেপখিরোই, মায় পাক্লনবগীদমক হোৎনবা কনবা নত্তনা লম্বেল লৈতে : মেরি কোম



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী): নুপীগী বোক্সিংগী লমদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইরবী অমদি ওলিম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবী মালেমগী ওইনা দিসিপ্লিন অসিদা খ্বাইদগী মেদল মশিং য়াম্না ফংবা ঙম্লবী এম সী মেরি কোমনা ফোঙদোকখিবদা ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেদল ফংদ্রিবা ফাওবা মহাক হোৎনবা লেপখিরোই। লোয়ননা মায় পাক্লনবগী লম্বেল অসি হোৎনবা কনবা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতে হায়খ্রে।

চহীসিগী জুলাই ২৪দগী হৌরগা সপ্টেম্বর ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদুগা হৌজিক্কা মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মথং চহীগী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না নৌনা লেপখ্রবা মতম অদুগীদমক্তা শেম শারিবী চেম্পিয়ন বোক্সর এম সী মেরি কোমনা মহাক্কী বোক্সিং করিয়র অসি লেপখিরোই হায়না থমখ্রে।

লোয়ননা স্পোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা সোসল মেদিয়া প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা ফেসবুক্তা ইন্দিয়া পুম্বা ওইনা নুমিৎ ২১নিগী লোকদাউন মনুংদা হৌজিক হৌজিক মশা মশাগী ময়ুমদা অমদি হোষ্টেলগী কাদা লৈরিবা এথলেটশিংগা লাইভ সেসন অমা পাঙথোকপদা মায় পাক্লবগী লম্বেল অসি হোৎনবা কনবা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ অমত্তা লৈতে হায়না মেরি কোম্না ফোঙদোকখি।

ইন্টর্নেসনল বোক্সিং ফেদরেসননা 'মেগনিফিসেন্ট মেরি' হায়না মীংথেল পীখ্রবী এম সী মেরি কোমনা মখা তানা ফেসবুক্কী লাইভ সেসন অদুদা ফোঙদোকখিবদা মহাক্ন া হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈরিবা মশান্না অসিগী ফমথোল অমা ফংবা ঙম্লিবা অসি হোৎনবা কনবননি। মায় পাকপগী অতোপ্পা মন্ত্রা অমত্তা লৈতে। থম্মোয় শেংনা হোৎনবা কনবা অসিনা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি হায়না শান্নরোয়শিং অদুদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই কুমজা ২০১২দা লন্দনদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা শান্নবগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ অদুগী পুৰারীদা অহানবা ওইনা নুপীগী বোক্সিং দিসিপ্লিন অসি মেদল দিসিপ্লিন ওইনা হৌদোকখিবনি। মদুদা এম সী মেরি কোম ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। অদুবু মখা তারকপা কুমজা ২০১৬তা ব্রাজিলগী কোনুং রিওদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা এম সী মেরি কোম ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে।

শান্নবগী লমদা অকা অকুমগী লম্বেল অদুমক শান্নরোয় অমনা থেংনরক্কনি। অদুবু হোৎনবা লেপত্রবদি মায় পাকপগী কান্নবা অদু অদমুক শান্নরোয় অমনা ফংবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা থাদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক জোর্দানগী কোনুং অমানদা পাঙথোকখিবা এসিয়া/ওসিনিয়া ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপীগী বোক্সর ৩ অমদি নুপা বোক্সর ৫ য়াওনা মশামক থারগা পুন্না বোক্সর ৯ টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

মশাগী চহী ৩৭শুরবী এম সী মেরি কোমনা হৌজিক হৌজিক থল্লিবা পান্দমদি ওলিম্পিক্সতা গোল্ড মেদল অমা লৌবা অদুনি হায়খি। মণিপুরগী ওইনা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা রাজ্য সভাগী মেম্বর অমসু ওইরিবা মেরি কোমনা মহাক্কী থা অমগী তোলোপ প্রাইম মিনিষ্টর্স রিলিফ ফন্দদা দোনেট তৌখিবগা লোয়ননা এম পি লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট স্কিমদগী লুপা ক্রোর ১গী শেনফমসু লৈবাক অসিদা থেংনরিবা কোরোনাভাইরস লায়না লাইচৎ অসিগী মতেং ওইননবা পীখ্রে হায়রি।

# এৱ্যেরনেস পীননবা বালানা এ এফ সীগী 'ব্রেক দি চেন' কেম্প্যেইন য়াওখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী): য়ুরোপিয়ন প্রোফেস্নেল ফুটবোল ক্লবতা ইন্দিয়াগী ওইনা ইহান হানবা নুপী শান্নরোয় অমা ওইনা স্কোটলেন্দগী ক্লব রেঞ্জর্স এফ সীনা শরুক য়াবা ঙম্লিবী মণিপুরদগী হৌখিবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ঙাঙোম বালানা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মখা পাঙথোকপা 'ব্রেক দি চেন' কেম্প্যেইনদা শরুক য়াখ্রে হায়রি।

ঙরাং এ এফ সীগী মায়কৈদগী পায়খৎলক্লিবা 'ব্রেক দি চেন' এৱ্যেরনেস কেম্প্যেইন অদুদা ঙাঙোম বালা শরুক য়ারি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোরোনাভাইরস লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মীওই ৮,৮৭,০৫৭না শোকহল্লবা মতুং য়ামদ্রবদা মীওই ৪৪,২৬৫ শীহনখ্রবা মতুং ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা তোঙান-তোঙানবা মালেমগী মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিংনা লাইচৎ অসি থেংননবা তোঙান-তোঙানবা মায়কৈদগী ফংলকপা মতেংশিং অদু শীজিন্নদুনা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসননা এসিয়াগী ওইনা 'ব্রেক দি চেন' হায়বা খোঙজং অসিনা মপুং ওইবা থৌরম অমা ওইহনবগা লোয়ননা মীওই কয়াগী মতেং পাঙলি।

ঙাঙোম বালা হৌজিক হৌজিক স্কোটিস ৱিমেন প্রেমিয়র লীগতা মহাক্কী টিম রেঞ্জর্স এফ সীনা লীগ অদুগী মকোক থোংবা ঙমখিদ্রবসু গ্রুপ অদুগী মেচশিং শান্নবা লোইদ্রিবা মরম্না নোক আউট ষ্টেজগী লম্বেল ৱাৎলি। কোবিদ-১৯না মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা হল্লকপা য়াদবা মরম্না বালা ইন্দোর ট্রেনিং চৎথরি। লোয়ননা মহাক্কী ক্লব অদুনা মহাক্কী মতাংদা অকন্নবা মীৎয়েং চঙবীরি হায়খি।

# মালেমগী অনীশুবা লানজাওগী মতুংদা অহানবা ওইনা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ৱিম্বলদন য়ৈথোক্লবা শেম শাখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী): মালেমগী টেন্নিস টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট মরিগী মনুং চল্লিবা লন্দনদা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা গ্রাস কোদকী টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্ট কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরদুনা অহানবা ওইনা মালেমগী অনীশুবা লানজাওগী মতুংদা য়ৈথোক্লবা শেম শাখ্রে।

লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট (ক্লে কোর্ট) য়ৈথোকখ্রবা মতুং ৱিম্বলদনসু য়ৈথোক্লনবা টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা ৱারেপ লৌরকপনি।

চহী অসিগী জুন ২৯দগী হৌরগা চয়োল অনী চুপ্পা চথনবা হান্নগী মতম লৈখিবা ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসি নুপাগী ওইনা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিস অমসুং নুপীগীনা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা টাইটল দিফেন্দ তৌননবা শেম শান্নরিবনি।

ঙসি ফাওবদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মালেমগী লৈবাক ২০০ হেনবদা মীওই ৮,৮৭,০৫৭ নাহনখ্রবনি। মসিগী মনুংদা মীওই ৪৪,২৬৫ শীহনখ্রে। ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী য়ুম্ন ওইরিবা ইংলেন্দদা মীওই ২৯,৪৭৪ লায়না লাইচৎ অসিনা নাহল্লবা মতুং মীওই ২,৩৫২ শীহনখ্রবনি।

ৱিম্বলদনগী ওর্গনাইজরশিংনা মাংজৌননা টুর্নামেন্ট অসি ভাবোক য়াওদনা শান্নবা পামদবগী মোত ফোঙদোকখ্রবনি। লোয়ননা য়ৈথোকপনসু অচৌবা অৱাবা অমসু লৈগনি হায়না থমখিবনি।

মমাঙদা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ৩লক লৌবা ঙমখ্রবা জর্মন মনা বোরিস বেকরনা ফোঙদোকখিবদা ৱারেপ অমা লৌদ্রিঙৈদা টুর্নামেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা মতম হেন্না লৌননবা অপিল তৌবা লৈখ্রবনি।

করিগুম্বা চহী অসিগী ওইনা ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসি তোক্লগা মথংগী চহীদা পাঙথোক্ল বগী অকক্লবা ৱারেপ লৈরবদি মমাঙদা টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদরর, য়ু এস এগী মচিন মনাও সেরেনা ৱিল্লিয়মস অমসুং ভেনস ৱিল্লিয়মস মখোয়গী করিয়রগী অরোইবা ৱিম্বলদন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদু মথংগী চহী ২০২১দা শান্নবা য়ারি।

নাকল অমরোমদা ফ্রেঞ্চ টেন্নিস এসোসিএসননা পেরিস সিটিদা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদু মে ২২দা হৌগদবা অদু সেপ্টেম্বর ২০দা ওইনা য়ৈথোকখ্রবনি।

# অহানবা ওইনা পাঙথোকপা মণিপুর য়ুথ লীগনা হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংদা অনৌবা য়েন্নিং চোংহল্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস): ক্লাসিক গ্রুপ ওফ হোটেলনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা অহানবা ওইনা ফেব্রুৱারী থাগী ৬তগী হৌদুনা চহী কাংলুপ অহুম য়ু-১৩, য়ু-১৫ অমদি য়ু-১৮ (বোইজ) হায়না খোয়দোক্তুনা পাঙথোকপা আর কে জয়চন্দ্র সিংহ মেমোরিএল মণিপুর য়ুথ লীগ ২০২০ অসি হৌগৎলক্লিবা ফুটবোলবু পামজবা নহা শান্নরোয়শিংদা অনৌবা য়েন্নিং চোংহল্লগনি।

পনবা য়াই, ফুটবোল মশান্না অসি পৃথিবীগী মফম খুদিংমক্তা মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্না শান্নবা মশান্না অমনি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক ২০০ রোমনা য়াম্না পাম্না শান্নরি। হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা পীক্লবা লমদম অসিদগী নেসনল ফুটবোল টিমদা শান্নরোয় ৫১না শরুক য়াবা ঙমখ্রে। হন্দক্তা লোইশিনখিবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ২০১৯-২০গী সিজন অসিদসু পুন্না ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ১৮০না শরুক য়াখি। মসিদা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় ২৬না শরুক য়াদুনা খ্বাইদগী শান্নরোয় মশিং য়াম্না য়াওবা ঙম্বা ষ্টেট অমা ওইখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলনা শান্নরোয় ২৪, পঞ্জাবনা শান্নরোয় ২৩, মিজোরামনা শান্নরোয় ২২, গোৱানা শান্নরোয় ১৭, মহারাষ্ট্রনা শান্নরোয় ১৭, কেরলানা শান্নরোয় ১৩, অসামনা শান্নরোয় ৭, মেঘলয়ানা শান্নরোয় ৫, টামিল নাদুনা শান্নরোয় ৫, সিক্কিমনা শান্নরো ৫, উট্টরখন্দনা শান্নরোয় ২ অমদি হিমাচল প্রদেশনা শান্নরো ১ শরুক য়াবা ঙমখি।

মসিদসু নত্তনা ইন্দিয়াগী ২শুবা থাক্তগী লৈরিবা আই লীগতসু মণিপুরগী ক্লব ২ নেরোকা এফ সী অমসুং ট্রাও এফ সী শরুক য়াবা ঙম্লিবনি।

মণিপুর য়ুথ লীগ অসি পাঙথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা থাংজম নাওবনা হায়খিবদা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপগী পান্দমদি শান্নরোয়শিংবু মখোঙ শেংনা, ক্বালিটি লৈবা শান্নরোয় পুথোক্লবা হোৎনবনি। লোয়ননা নেসনল, ইন্টর্নেসনল অমদি অচৌবা টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়াবা ঙম্নবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখিবসু লৈরিবনি।

মণিপুর য়ুথ লীগ অসিগী পেট্রোন-ইন-চীফ ওইরিবা শগোলবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এসু ওইরিবা আর কে ইমোনা লীগ অসিগী মাংজৌননা পাঙথোকখিবা মীফমদা ষ্টেট অসিনা নেসনল অমসুং ইন্টর্নেসনলগী থাক্তা ফুটবোল্লর কয়া পুথোক্তুনা লাক্লি। লীগ টুর্নামেন্ট অসিনা ইনখৎলক্লিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংদা চাওনা কান্নবা পীরগনি। হৌজিক লৈরিবা ষ্টেট অসিগী ফুটবোল মশান্না অসিবু থাক ৱাংখৎপদা শোয়দনা মতেং পাঙলগনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

লীগ অসিদা টিম ১১না শরুক য়ারি। মদুদি উৎলৌ উরিপোক, ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি, নেরোকা এফ সী, হিয়াই ফুটবোল একাদেমি, মণিপুর স্পোর্টস হাউস, ট্রাও এফ সী, টি ৱাই দি এ তৌবুল, নিসু পোরোম্পাৎ, এস দল্লীয়ু সী খোঙমন, কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ, ই এস য়ু ৱাংখৈ অমদি সাই এস এ জি উৎলৌনি। টুর্নামেন্ট অসি য়াম্না মশক থোকপা অমা ওইনবগীদমক টিমশিংনা হোম এন্দ অৱেদা শান্নবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওরিবা শান্নরোয় খুদিংমক সি আর এস তৌবা, শরুক য়াবা ক্লব খুদিংমক্কী চহী কাংলুপ অহুমদা টিম পুথোকপা, হোম গ্রাউন্দ লৈবা ক্রাইটিরিয়া কয়া ফোলো তৌবা অসিনা টুর্নামেন্ট অসি হেন্না মগুন লৈহল্লিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী কেটগরি অহুমগী ৱিন্নর ওইরবা টিমশিংদা শেলগী মনা ওইনা লুপা ২,০০,০০০ অমদি ট্রোফি, রন্নর্সঅপতা লুপা ১,০০,০০০ অমদি ট্রোফিগী মনাশিংসু থল্লি। অদুগা বেষ্ট গোল কিপ্পর, হায়েষ্ট গোল স্কোরর, মোষ্ট ভেল্যুএবল প্লেয়রশিংসু শেল ওইনা লুপা ১০,০০০গী মনাসু লৈরিবনি।

# ওলিম্পিক দি মার্সেলগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা পাপে দিওফ কোরোনাভাইরসনা শীহনখ্রে



পেরিস, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী): ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লব ওলিম্পিক দি মার্সেলগী হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা পাপে দিওফ মশাগী চহী ৬৮ শুরকপদা কোরোনাভাইরসনা নাহল্লবা মতুং ঙরাং লৈখিদ্রে হায়না লীগে ১গী থাক্তা লৈরিবা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ক্লব অসিগী ত্বিটর একাউন্টদা ফোঙদোরকপা ৱারোলদা পাপে দিওফনা লৈখিদবগী পাউ ফংবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না ক্লব অদুগী পুৰারীদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা অদুসু পনখি। মতম পুম্নমক্তা ক্লব অসিনা পাপেনা পায়খৎলম্বা থৌদাংশিং অদু নীংশিংদুনা লৈরগনি হায়খি।

লোয়ননা মহাক্কী ইমুং মনুং অমদি খঙনা চানবশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিংদা ক্লব অসিনা শরুক য়ারি হায়খি। চহী নৌরিঙৈদা সেনিগালদগী মার্সেল সিটিদা লৈরকখিবা পাপে দিওফ মহাক্কী অরোইবা মতম অদুদা সেনিগালগী কোনুং দাকরদা কোরোনাভাইরস নাদুনা লায়েংখিবনি হায়রি।

কুমজা ২০০৫তগীনা কুমজা ২০০৯ ফাওবা পাপে দিওফনা মার্সেল ফুটবোল ক্লবকী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুখি। মশামক জর্নেলিষ্ট অমা ওইবতা নত্তনা শান্নরোয়শিংগী এজেন্টসু ওইরম্মী। দিওফনা প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈ মতমদা মার্সেল ফুটবোল ক্লবনা ফ্রান্সকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগে ১গী রন্নর্সঅপ অনীরক তাখি। অদুগা ফ্রেঞ্চ কপ ফাইনেল অনীরকসু য়ৌবা ঙমখি।

# অঙৌসনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০১ (ঐচএনএস): মণিপুর মাষ্টর্স এথলেটিক এসোসিএসন (এম এম এ এ) অমদি নেসনল মাষ্টর্স এথলেটিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইবিরম্বা বি অঙৌসনা শর্ম্মনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি হায়না এম এম এ এগী সেক্রেটরী আর কে চৌরজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অঙৌসনানা মশাগী ওইবা থবক অমা গুৱাহাটিদা চৎলুবা মতমদা থা অসিগী ২১দা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবনি। মসিদা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিং অমদি শান্নরোয় কয়ানা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈহৌরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱাইনা মপুগী খুয়াখাদা ইংনা চিক্লা লৈরুনবসু এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# কোরোনাভাইরসকী লান্থেংদা হোক্কি ইন্দিয়ানা পি এম কেয়র্স ফন্দদা লুপা লাখ ২৫ মতেং পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ লান্থেংনবা চঙশিল্লিবা খোঙজংদা হোক্কি ইন্দিয়ানা প্রাইম মিনিষ্টর কেয়র্স ফন্দদা লুপা ২৫,০০,০০০গী শেনফম মতেং পীখ্রে।

ৱারেপ অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ লান্থেংননবা অখন্নবা ইম্মর্জেন্সি ফন্দ অমা লাউথোকখ্রবা মতুংদা হোক্কি ইন্দিয়াগী একজিক্যটিব বোর্দনা লৌখিবনি।

হোক্কি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট মহমদ মুস্তাক অহমদনা ফোঙদোরকখিবা চেরোলদা হোক্কি ইন্দিয়া একজিক্যটিব বোর্দনা অমত্তা ওইনা য়ান্নদুনা পি এম কেয়র্স ফন্দদা ২৫,০০,০০০গী শেনফম অদু মতেং পীবদা য়াখিবনি।

হোক্কি ইন্দিয়াগী সেক্রেটরী জেনরেল ওইরিবা রাজিন্দর সিংহনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ লান্থেংনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হোৎনরিবা অসিদা মতম পুম্নমক্তা মতেং পাঙননবা শেম শারি হায়খি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী মীয়াম্না য়ুমদা লৈদুনা নুমিৎ ২১গী লোকদাউন মতম অসিদা অমত্তা ওইনা মতেং পাংননবা হোৎনসি হায়খি।

# লোর্দস ক্রিকেট গ্রাউন্দ য়ুনাইটেদ কিংদমগী মেদিকেল কম্যুনিতিগীদমক মফম পীখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী): কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা য়ুনাইদেট কিংদমদা থেংনরিবা খোঙজংদা লন্দনদা লৈবা মেরিলিবোন ক্রিকেট ক্লব (এম সী সী) মীয়াম্না লোর্দস ক্রিকেট গ্রাউন্দ হায়না খঙনরিবা মফম অসিদা মফম অদুগী মেদিকেল কম্যুনিতিগী গাড়ি খান্ফম অমদি ষ্টোরেজ এরিয়া ওইননবা অয়াবা পীখ্রে।

ৱেলিংটন হোস্পিটাল, য়ুনিভর্সিটি কোলেজ হোস্পিটাল অমদি সেন্ট জোন অমসুং সেন্ট ইলিজাবেট হোস্পিটালশিংগী ষ্টাফশিংগী ওইবা পার্কিং স্পেস ৭৫ হৌজিক হৌজিক পীরি। লোয়ননা নক্লা লৈরিবা ৱেলিংটন হোস্পিটালগী পোৎলমশিং থম্ফম জগা ওইনা ক্রিকেট গ্রাউন্দ অসি শীজিন্নহনখিবনি।

পনবা য়াই, এম সী সীনা সিটি হার্বেস লন্দনদা চানবা ফংদ্রবা মীয়ামশিংদা য়েন্থোক্লনবা থবক পায়খৎলিবা তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংদা চানা থক্লবা পীখিবা লৈখ্রবনি।

# মকোক থোংবা শান্নরোয়শিংগী শেলগী মতেং লেপত্রি, মখাদা লৈবা শান্নরোয়শিংদি অৱাবা থেংনরি



মুম্বাই, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী): মালেমগী মকোক থোংবা শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ মায়োক্লনবা শেলগী মতেং পীরকপা লেপত্রি। অদুবু থাক নেম্না লৈরিবা শান্নরোয়শিংদি অৱাবা মায়োক্লরি।

সর্ভিয়াগী মমিং লৈরবা টেন্নিস শান্নরোয় নোবাক জোকোবিসনা হৌখিবা চয়োলদা মহাক্কী লৈবাক অদুনা মেদিকেল ইক্যুপমেন্টশিং লৈবদা মতেং ওইনবা য়ুরো মিল্লিয়ন ১ (য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১.১১) পীখি। স্পেনগী রাফেল নদালনা লৈবাক অদুগী শান্নরোয়শিংবু মতেং পাঙননবা য়ুরো মিল্লিয়ন ১১ খোমজিন্দুনা মতেং ওইহনখি। অমরোমদা স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদররনা মহাক্কী লৈবাক অদুদা অৱাবা তারিবা ইমুং মনুংশিংদা মতেং ওইননবা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১.০৫কী মতেং পীখি।

মকোক থোংবা শান্নরোয়শিংনা শেলগী অচৌবা মতেং কয়া কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ লান্থেংননবা পীরক্লবসু থাক নেম্না লৈরিবা শান্নরোয়শিংগী ওইনদি টেন্নিসকী ইভেন্টশিং লেপখিবনা মরম ওইদুনা শেলগী মতেং পাঙবদি লায়রদনা চাননবগী মতাংদসু অৱাবা কয়া থেংনরি।

বৃটেনগী টেন্নিস শান্নরোয় তরা মুরনা সটদাউন অসিগী মাংওইননা য়ু এস দোল্লর ২৮০০ খক ফংহৌবা অদুনা লাক্কদৌরিবা থা অসিদা শান্নদ্রবদি হেন্না অৱাবা নংবগী ফিভমদা লৈরে হায়খি।

# চাইনাদা স্পোর্টস ইভেন্ট অমত্তা মখা তানা পাঙথোকখিরোই

সাংহাই, এপ্রিল ০১ (এজেন্সী): চাইনা লৈঙাক্লা ঙরাং লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুদা মরু ওইবা স্পোর্টস ইভেন্টশিং মখা তানা পাঙথোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অদুদগী হৌরকখিবা হৌজিক্লা মালেমগী লৈবাক ২০০ হেনবদা শন্দোকখ্রবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ অসি চাইনাগী ওইনা লাকশিনবা ঙল্লবসু অতোপ্পা লৈবাক্তগী অমুক চঙশিল্লকপা ৱেব অমনা মখা তানা অনৌবা কেস কয়া থেংনরক্লি।

লৈবাক অদুগী জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ স্পোর্টসনা ফোঙদোরকপদগী অনীশুবা ৱেব অসিগী মাংওইননা লৈবাক অদুদা ফুটবোল অমসুং বেসকেটবোল য়াওনা মরু ওইবা শান্নবগী ইভেন্টশিং পাঙথোকপা য়াবগী মমি উরম্বনি। অদুবু মীরমদগী চঙশিল্লকপা অনৌবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎকী কেসশিংনা স্পোর্টস ইভেন্টশিং অসি মখা তাবগী ৱারেপ অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোরকপনি।

ফেব্রুৱারী ২২দা চাইনিজ সুপর লীগ ফুটবোল সিজন হৌগনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা জন্যুৱারী থাদা মতম কত্তুনা য়ৈথোকপগী ৱারেপ লৌখি। লোয়ননা চাইনিজ বাসকেটবোল এসোসিএসন লীগসু হান্নগী মতম অদু য়ৈথোকখিবনি।

চাইনাগী ৱুহান সিটিদা হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর থাদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) থেংনরকপনি। মদুগী মতুং মালেমগী অতোপ্পা মফমশিংদা শন্দোরকখিবনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com